# ৬ শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট হৌনবি মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে
# মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা পুরকপা তঙাইফদে ঃ স্পিকর লোকেশ্বর



**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ**

ওল মণিপুর ব্রাল্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমজুনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী ওইনা হৌখিবা ২০১১ দগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা ৬ শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ২০১৬ ঙসি হৌনবি মতুংইন্না হৌদোকখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা অমদি মপালগী মেদিয়া হাউসশিংনা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্ট কয়ানা ঙসিগী স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কংলাগী শেংলনবা লাইফমলেন্দগী লৌরকখিবা মৈরা অদু মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবদা মৈরা চুখৎতুনা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা হৌদোকখি।

স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চিফ সেক্রেটরী ও নবাকিশ্বর অমদি জেনিমগী দাইরেক্টর দেবেন সিংহ লাইশ্রমসু শরুক য়াখি।

মৈরা লৌবগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউস অমদি মপালগী পাউ চেশিংদা থবক তৌরিবা পাউ চে অমদি ইলিক্ট্রোনিক মেদিয়াগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা শেংলবা মৈরা অদু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়নদুনা অপুনবা ওইবগী ব্রাখল্লোনদা পুরক্তুনা মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পুরক্তুনা অপুনবা ব্রাখল্লোন শাগৎপগী চাওনা মমি তাহন্দুনা ক্লবকী মমাংদা মৈরা চুখৎখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট অমজুগী দব্লিউ সমজাইনা ওইখি।

তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা অচুম্বা পুরক্লবা মতমদা লৈবাক অসি চাওখৎহনবদা অহোংবা থাজবা খরদি লৈবা ঙমগনি।

অহল অঙাং খায়দনা ইশা-ইশান্না তৌগদৌরিবা থবকশিং অদু নিংথিনা পাংথোকপা ঙম্লবা কানদতা অহোংবা খরা অচুম্বা ব্রাখল্লোন পুরক্তুনা সমাজ অসিগী মমিৎ মমায় তাথোকপা ঙমগনি হায়নসু চীফ গেষ্ট ওইখিবা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখি।

অমজুনা শীন্দুনা পাংথোক্লিবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট অসি মতুং তারকপদসু হেন্না-হেন্না ফজবা মওংদা শীনবা ঙম্বা ওইনসু অমদি চহী অসিগী ওইনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাবা টিমদা মহাক্কী তলবগী লুপা লিশিং ২০ গী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

হয়েং স্পোর্টস মিট অসিগী শরুক অমা ওইনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ঠেলেটিক অমদি ইন্দোর হোলগী নাকলদা লৈবা ভোলিবোল কোদদা ভোলিবোল শান্নরগনি।

অমজুগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ সমজাইনা ফোংদোকখিবদা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মতম চান্না লাক্তুনা স্পোর্টস অসি মপুং ফাহনবীবদা মতেং পাংবিয়ু।

জেনিমসগী দাইরেক্টর দেবেন লাইশ্রম্না ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মাইকৈদগী জর্নেলিষ্টশিংনা অসোক অপন থোকপা মতমদা অচৌবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ৫ শুবা কংলৈ মেগা ফেষ্টিভেল হৌখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ**


কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন্না (কে এস এ) শীন্দুনা ঙসিদগী মপাল কাংজৈবুংদা ৫ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৬ হৌখ্রে।

থা অসিগী ২৭ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরম মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকখ্রে।

অমজু অমদি কে এস এ না ফ্রেললি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখি। মেটচ অদু টিম অনীনা গোল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।


ওর্থোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ

লম কয়াদা কান্নরবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চীকপা ফাওবা অথিতিস্ত, খু কাং নাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্বেল্লিং পিল মসল, ব্রুস স্প্রেন্স অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা ফাওবশিং)গীদমক থিজিনবদগী ফংলকপনি।




ইফেক খক্তনি
আর.ই.পি এলগী মঙ্গণ লৈবা অয়ুর্বেদিক পোথোকশিং
সাইদ ইফেক লৈতে

















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*